CIVIL SERVICES (MAIN)EXAM- 2023



# MANIPURI

## PAPER–II

## (LITERATURE)

Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250

**ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল**

**পাউখুম ইদ্রিঙৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাঙলূপ অনীমক (Sections A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্নবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরম্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।

MANIPURI

PAPER–II

(LITERATURE)

Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250

**QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS**

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

*(a)* লংমাই পীতংঙানা নাউথিংখোংবু মতৌ করম্না শেলোই লংমাইদগী নাম্থোক্তুনা চেলহনখিবগে হায়বদু মরীক চুম্না ইরকউ।

*(b)* খ্বাই নুংজেংবম পিবানা হৌখিবা লালহৌ অসি নিংথৌ লৈঙাক্কী চৎনবীগী মায়োক্তা নত্তে, অওৎ-অনৈগী মায়োক্তনি হায়বদু মরীক চুম্না ইরকউ।

*(c)* চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ ঈশ্বর অমদি মথক থোংবশিংদা ভক্তি-শ্রদ্ধা লৈবা নিংথৌ অমনি হায়বসি চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা লাইরিক অসিদা মীৎয়েং থম্লগা ইরকউ।

*(d)* লৈঙাকলোনগীদমক নুপী ওইবীগী পুন্সিবু মমল থম্বীদবগী মশক 'থৌৰান থাবা হিরান' হায়বা লাইরিক অসিদা উবা ফংই হায়বসি মরীক চুম্না ইরকউ।

*(e)* 'কুমার ফু শাবনা মালেম লৈফু শাবগুম' মীওইবগী মরাইবক অসি মশা-মশানা শেমজগদবনি হায়বসি 'ধনঞ্জয় লাইবু নীংবা' লাইরিক্তা পল্লিবদু নৈনরকউ।

**2.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

*(a)* 'সমসোক ঙম্বা' হায়রিবা লাইরিক অসিদা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী ৱাখল-লৌশিং চাউবা অমসুং থৌনা ফবগী মশক উবা ফংই হায়বসি শন্দোক্লা ইরকউ। 20

*(b)* 'পাম্থোইবী খোঙ্গুল' লাইরিক অসিদা পাম্থোইবীগী মতিক-মগুণ শৈথারিবা অদু শন্দোক্লা ইরকউ। 15

*(c)* নিংথৌরেল দশরথনা করি থৌরম পাঙথোক্তুনা অমদি করম্না কৌশল্যা, কৈকোয় অমসুং সুমিত্রনা মপারি মরি ফংজখিবগে হায়বদু শন্দোক্লা ইরকউ। 15

**3.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

*(a)* 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা' হায়বা লাইরিক অসি লমকোয় ৱারীগী মশক চেনবা লাইরিক অমনি হায়বসি শন্দোক্লা ইরকউ। 20

*(b)* খ্বাই নুংজেংবম পিবাগী মথৌনা-মরিংজেন অমসুং মপুরোইবগী য়াথং ঙাকচবী মহাক্কী তালোয় হাউনু চাখানু মখোয় অনীগী অপূনবা লিংজেন্না লানঙম ফিরাল থেৎখিবনি হায়বসি মরীক চুম্না ইরকউ। 15

*(c)* তয়াং-তশোইবা অমদি খঙহৌদবনা মরম ওইদুনা চকপা শম্ফবীগী পুন্সি পীখম্নখিদুনা মৈতৈ অমসুং খুমন য়েংথিনখিবনি হায়বসি শন্দোক্লা ইরকউ। 15

**4.** ꯋাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

(a) 'নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা' হায়বা লাইরিক অসিদা উবা ফংলিবা মতম অদুগী সমাজ অমসুং সংস্কৃতিগী মশক অদু শন্দোক্লা ইরকউ। 20

(b) ময়ায়চনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্য মায় পাক্লবা লাইরিক অমা ওইনা 'ধনঞ্জয় লাইবু নীংবা' নৈনরকউ। 15

(c) ময়ায়চনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগী মচল অমা ওইরিবা মণিপুরী রামায়ণগী শুপচিল্লবা মশক 'আদি কাণ্ড'দগী খণ্ডবা ঙন্মী হায়বসি শন্দোক্লা নৈনরকউ। 15

## SECTION—B

**5.** মখাগী ꯋাহংশিং অসি ꯋাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

(a) লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী 'ঈঙাগী নোং' হায়বা শৈরেং অসিদা সেটায়র ওইবা খৃৎইগী মীৎয়েংদু নৈনদুনা ইরকউ।

(b) 'কংস বধ' কাব্য অসিদা কংসবু মতৌ করম্না কৃষ্ণনা লানবিখিবগে হায়বদু ইরকউ।

(c) 'লাই হরাউবা' হায়বা ꯋারেংগী মতুং ইন্না লাই হরাউবগী নোংমগী ওইবা থৌরম পরেং অদু শন্দোক্লা ইরকউ।

(d) 'কমলা কমলা' হায়বা ꯋারীমচা অসিদা অইবনা মীয়ামদা পীনিংলিবা পাউজেল অদু মরীক চুম্না ইরকউ।

(e) 'মেত্রিক পাশ' ড্রামা অসিদা য়াওরিবা থারিকথাগী চরিত্রগী মরমদা ইরকউ।

**6.** ꯋাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

(a) 'জজ্জ সাহেবকী ইমুং' হায়বা ড্রামা অসিগী মরু ওইবা চরিত্র অরুণা অমসুং দামুদরগী মরমদা চাংদম্নদুনা ইরকউ। 20

(b) 'অনৌবা থুংলবা জীব' শৈরেং অসিদা কবিনা মতম অসিগী মীওইবগী মশক অসিবু করি-করিগা চাংদম্নদুনা উৎপগে হায়বদু শন্দোক্লা ইরকউ। 15

(c) 'মাধবী' উপন্যাস অসিদা কমলনা উরিরৈগী চরিত্রনা মপূং ওইনা শাগৎচরগসু 'মাধবী' হায়না মিংথোল পীরল্লিবগী মরম শন্দোক্লা ইরকউ। 15

**7.** ꯋাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

(a) 'লমন'দা উপন্যাসকারনা চীং-তম অনীগী অপূনবা শক্তম অমা করম্না শাগৎপগে হায়বদু শন্দোক্লা ইরকউ। 20

(b) খম্বা-থোইবী শৈরেংগী মপূং ওইনা লৈরিবা শৃঙ্গার রসকী খোঙহৌ ওইনা শন-শেনবদা য়াওরিবা অদুগী মশক শন্দোক্লা নৈনরকউ। 15

(c) মীনা মী ওইগে হায়রবদি করম্না লান তোকহনগদগে! লানগী মরমদা অফ-ফত্তগী ꯋাফম 'লান' হায়বা ꯋারেংগী মতুং ইন্না নৈনদুনা ইরকউ। 15

**8.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

*(a)* ‘করিনুংগী’ হায়বা ৱারীমচা অসিদা উৎলিবা মতম অদুগী সমাজগী মশক অদু শন্দোক্লা ইরকউ। 20

*(b)* সোরোকখাইবম ললিতনা মাগী ‘অরেপ্পা মরূপ’ হায়বা সোসিয়েল প্লে অসিদা উৎপা পামলিবা ৱাফম অদু শন্দোক্লা ইরকউ। 15

*(c)* ‘শামুখোঙগী বিচার’দা নুপী ওইবীশিংনা চৈরাপতা চংবগী অয়াবা লৈত্রবসু মজা ইবেন্মা থোইবীনা পুখৎলকপা ৱাফমবু ৱায়েল বিচারদা অচুম্বা ওইনা করম্না লৌখিবগে হায়বদু শন্দোক্লা নৈনরকউ। 15

★ ★ ★